HUEIYEN LANPAO

# হুইয়েন লানপাউ

Refreshingly Reliable

The messenger of the masses


ফৌদেন য়ুথ ক্লবনা শীল্লগা বোসেম, কোসেমনা লৌবা চহীসিগী ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্ভ এগজামদা অমসুং এন ঈ ঈ টি এগজামদা মায় পাক্লকবা অফবা মহৈরোয়শিংবু তরাম্না ওকপগী থৌরম



লামায় ৬

হন্দক মরক মণিপুরদা হৌখিবা নোংমা নীনি অসিদা নোং চুরকপদগী ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা খাইদেমগী লৌফম কয়াদা খাউদোক্লবা ফৌবোমশিং ঈশিংনা থুমজিন্দুনা লৈবগী শক্তম



লামায় ১

লাংমৈথেৎ য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন্না দিষ্ট্রিক্ট ভেটিরিনরি ওফিস থৌবালগা খুৎশম্নদুনা লাংমৈথেৎকী অকোয়বদা লৈবা য়ুমশিংদা লোইরিবা হূইশিংদা ভেক্সিন কাপথোকখিবা



লামায় ৩

লিলোং এ সীদগী ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসকী মীরেপ ওইরিবা এম দি অজিজুল হক খানগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা ফিরাল চিংখৎপগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবশিং




লামায় ১


Vol. 44, Issue No. 218 | নিংথৌকাবা, মেরাগী ১৭ নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ৮ | HUEIYEN LANPAO, Monday, November 02, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


## HL Poll

Q: Leikai-leikaida hidak managi potlam oiriba khaini amasung kwa zarda yonba yaroi hairibasi mapung fana thingba ngamgani khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Pangeida leiba forensic science laboratoryda internet connection leiramdre hairiba asi mari leinaba authorityna yengsinba watpagini khanbra?

Yes 80% No 20%


গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা


## অস! লোইরেহে!




# ইরং থোং তেকপদগী ইম্ফাল জিরি লম্বী ফাওনদ্রে

## তুরেলদা তাশিনখিবা ট্রক্কী হেন্দিমেনদি কনবা ঙমহৌরে, ড্রাইভরদি থিবা ফংদ্রি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০১ (ঐচ এন এস):

মণিপুরগী য়াম্না মরুওইবা লম্বী অমা ওইরিবা নেসনল হায়ৱে নম্বর-৩৭তা লৈবা ইরং থোং ঙসি অয়ুক অঙনবদা তেকপদগী ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী ফাওনখিদ্রে। থোং তেকখিবা অদুদা লৈঙোই পুদুনা লাকপা ট্রক অমা ইরং তুরেলদা তাশিনখ্রে। তুরেলদা তাশিনখ্রবা ট্রক অদুগী হেন্দিমেনদি কনবা ঙমহৌরে, ড্রাইভরদি থিবা ফংদনা লৈরি।

থৌদোক থোকফমদগী ফংবা পাউনা হায়, ইরং থোং তেকপগী থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক পুং ৭ রোম তারকপদা থোকখিবনি। রেলৱেগী থবক্কা মরী লৈননা দিমাপুরগী লৈঙোই পুরগা জিরিবামদগী ইম্ফাল্লোম তম্না লাকখিবা চাকা ১০ পানবা ট্রক (এন এল ০৭ এ/৮৯৩৭) অমনা নেসনল হায়ৱে নম্বর-৩৭কী ইরং থোং লানবা হৌরকপদা থোং অসি তেকপদগী তুরেলদা তাশিনখিবনি। থোং তেক্তুনা তুরেলদা তাশিনখিবগী মখোল তাবদা মনাক নক্লা লৈবা তাওবম য়ুথ এন্দ ভিলেজ ওথোরিটিগী মীওইশিংনা তুরেলদা কুমদুনা ট্রক অদুগী ড্রাইভর অমসুং হেন্দিমেন কন্ননবা হোৎনখি। মদুদা ট্রক অদুগী হেন্দিমেন রাজা দমারি (২০) দি কনবা ঙমহৌরে। অদুবু ট্রক অদুগী ড্রাইভর খম্বা (৫০) দি হৌজিক ফাওবা থিবা ফংদনা লৈরি। ড্রাইভর খম্বা অসামগী হোজাইদগীনি হায়রি।



থৌদোক থোকফম অদুদা ষ্টেট দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এস দি আর এফ)কী টিম অমা লাক্তুনা গাড়ীগী ড্রাইভর অদু থিবগী থবক কন্না চখরি। ইরং থোং তৎপা অদুনা মরম ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

# মীওই ২৪৮ নৌনা পোজিটিভ ওইবা থেংনরে, অহুম্না লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০১ (ঐচ এন এস):

মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ লেপ্পা লৈতনা শন্দোরকপগা লোয়ননা মীওই ২৪৮ নৌনা পোজিটিভ ওইরে। মীওই অহুম্না লৈখিদ্রে।

কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমদগী ঙসি নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ২৪৭ অমসুং সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স (সী এ পি এফ)কী পর্সনেল ১ পুন্না মীওই ২৪৮ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনরে। পোজিটিভ কেসশিং অসি জেনিমসতা ৭২, রিমসতা ৪১, ইম্ফাল ইষ্টতা ১, এসিয়ন হোস্পিটালদা ১, রাজ মেদিসিটিদা ৮, শিজ হোস্পিটালদা ২২, সী এম সীদা ১, লিট্‌ল ক্লিনিক্তা ১, ইবোয়াইমা হোস্পিটালদা ৫, জিবন হোস্পিটালদা ২, এদভান্স হোস্পিটালদা ৩, আর দি ৱিংদা ৪, খৃষ্টিয়ন হোস্পিটালদা ১, কাংপোকপীদা ৮, বিষ্ণুপুরদা ১৮, থৌবালদা ১০, চুড়াচান্দপুরদা ১১, তমেংলোংদা ১৩, নোনেদা ১, ককচিংদা ৩, উখ্রুলদা ১ অমসুং ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্সতা ২১ থেংনখিবনি।

জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওইশিং অসি ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৮৬, ইম্ফাল ইষ্টতগী ৭৭, থৌবালদগী ১৩, কাংপোকপীদগী ৯, নোনেদগী ১, উখ্রুলদগী ১, বিষ্ণুপুরদগী ২৫, ককচিংদগী ৪, সেনাপতিদগী ২, চুড়াচান্দপুরদগী ১৩, তমেংলোংদগী ১৩, জিরিবামদগী ১ অমসুং চান্দেলদগী ২নি। পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসি মণিপুরগী মপান্দা চৎলুদবা ঙাক্তনি। মীওইশিং অসি কোভিদ ক্যের ফেসিলিটিদা থমখিবগা লোয়ননা কন্টেক্ট ট্রেসিংগী থবকশিং চখরি।

হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী মশাগী চহী ৭০ শুরবা নুপা ১, থৌবালদগী মশাগী চহী ৫৫ শুরবা নুপা ১ অমসুং ইম্ফাল ইষ্টতগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

# মাইনোরিটিশিংগী য়াইফননবা অখন্নবা বজেট হাপ্লম্বা অদু মোদি লৈঙাক্না লোয়নমক ককথৎখ্রে : ভক্ত চরন দাস

ইম্ফাল, নবেম্বর ০১ (ঐচ এন এস):

মাইনোরিটি কম্যুনিটিশিংগী য়াইফননবা কোংগ্রেস পার্টিনা তোখায়বা মিনিষ্ট্রি অমসুং কম্মিসন লিংদুনা অখন্নবা বজেট হাপ্লম্বা অদু মোদি লৈঙাক্না লোয়নমক ককথৎখ্রে হায়না এ আই সী সীগী মণিপুর ইন-চার্জসু ওইরিবা হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ভক্ত চরন দাসনা ফোঙদোকখ্রে।

লিলোং এ সীদগী ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস (আই এন সী)গী মীরেপ ওইরিবা এম দি অজিজুল হক খানগী লিলোং হাওরৈবী মখা লৈকায় লায়রবা খোংদা লৈবা য়ুমদা পাঙথোকখিবা মহাক্কী ফিরাল চিংখৎপগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা মথক্কী ৱাফম অসি এ আই সী সীগী মণিপুর ইন-চার্জ ভক্ত চরন দাসনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, মাইনোরিটি কম্যুনিটিশিংগী ওইবা অখন্নবা বজেট হাপ্তুনা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# মফম কয়াদা খাউদোক্লবা ফৌবোমশিং ঈশিংনা থুমজিনখিবদগী লৌমীশিং কোক্তা খুৎ হাপ্লরে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০১ (ঐচ এন এস):

লৌমীশিংনা চহী ১গী চানবা ৱানা লৌ উরবা মতুংদা লোক্লবগীদমক লৌ খাউদোক্লগা থম্লিঙৈদা খঙহৌদনা অমুক নোং তাশিল্লকপদগী হৌজিক মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা লৈরিবা লৌফমশিংদা খাউদোক্লবা ফৌবোমশিং ঈশিংনা থুমজিনখিবদগী লৌমীশিং কোক্তা খুৎ হাপ্লরে।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লৌমী খরনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপদা, ফৌ মুন্দুনা লৌ খাউদোক্লুরগা হৌখিবা নুমীৎ খরনি অসিদা মণিপুরদা অমুক নোং লেপ্তুনা তারকপদগী হৌজিক লম্লাই, পাৎলৌ, শাবম লময়াই, সেক্তা হিদামপাৎ, কৈবী, লৌশাংখোং, খুন্দ্রাকপম, নোংঙা, নোংগ্রেন, লৈমাখোং মপাল, সৈজাং, তেলৌ, চানা, নোংপোক ককচিং, নিংথেমচা খুন, ...মখা লামায় ৩ কলম ৬




HL-B/6441/7th Oct. to 5th Nov.





ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫